


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JANUARY 23, 2020 **PAGE 7**


*চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি*

*মোডেল হায়র সেকেন্দরি | ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা য়ু-১৬ বোইজগী মেটচ অমদা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রবা ৱাই য়ু সি সিগী এন রোহিট*



## বেঙ্গালুরুনা ওড়িষাবু ৩-০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে





*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ওড়িষা এফ সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরু এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ শ্রী কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং ওড়িষা এফ সিনা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী শান্নবগী মিনিট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইরিক পারটালুনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট দেসোর্ন ব্রাউননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ওড়িষা এফ সিদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

গোল শোত্থরিবা ওড়িষা এফ সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হনে দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২৫শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রাহুল ভেকেনা গোল অমগা চনশিন দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা বেঙ্গালুরুনা ওড়িষা ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোই এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল অমগা চন্দুনা মেটচ অসি ৩-০ দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহানবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা চেন্নাইন এফ সি অমসুং জমসেদপুর এফ সি থেংনরগনি।

## নিখট জারিন ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিংগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*সোফিয়া, জনুৱারি ২২ (এজেন্সি)ঃ*

বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা চত্থরিবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিখট জারিন কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নিখট জারিননা ঙসি থিন্নগদবা অনীশুবা রাউন্দগী লম্বা ওইখিবী বলগেরিয়াগী এসেনোভা তোকখিবদগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা নিখট জারিন ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী দুরয়োধন সিংহ নেগি (কেজি ৬৯) অমসুং মোহমদ হুসামুদ্দিন (কেজি ৫৭) মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী বাওটশিং মায় পাকখ্রে।

দুরয়োধন সিংহ নেগিনা পোলেন্দগী মাটেয়ুজবু পোইন্ট ৪-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী বাওট অমদা ইন্দিয়াগী হুসামুদ্দিননা ফ্রান্সকী ইনজো গ্রাওবু পোইন্ট ৪-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সাউথ এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট অনকিট খাতানা (কেজি ৭৫), দিপক কুমার (কেজি ৫২), নরেন্দর (কেজি ৯১ মথক) অমসুং নভিন কুমার (কেজি ৯১) অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি।

## মোইরাংথেম যোধিশচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল সনরাইজ ক্লব অমদি সিঙ্গরবোন্দ এফ এ ফাইনেলদা শান্নরগনি

*জিরিবাম,জনুৱারি ২২ ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা অহানবা মোইরাংথেম যোধিশচন্দ্র নীংশিং ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ফাইনেল মেটচতা সন রাইজ ক্লব কদমটালা অমসুং সিঙ্গরবোন্দ এফ এ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সিঙ্গরবোন্দ এফ এনা য়ু বি এফ সি মারখোলেনবু পেনাল্টি সুট আওটতা গোল ৫-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা য়ু বি এফ সি মারখোলেন্না টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা সিঙ্গরবোন্দ এফ এ টিমনা বোল কাউবা হৌখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অসিদা টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু সিঙ্গরবোন্দ এফ এ টিমগী জর্সি নম্বর ৮ নোংয়াইনা ৩৮শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা টিম অসিগী একাউন্ট হাংদোকখি। মখা তানা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী সিঙ্গরবোন্দ এফ এ না য়ু বি এফ সি মারখোলেন টিম্বু গোল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।



অনীশুবা হাল্ফ মতুংদসু য়ু বি এফ সি মারখোলেন টিমগী শান্নরোই জর্সি নম্বর রিংসন্না ৭৬শুবা মিনিটতা গোল অমা চনবদগী ১-১ মান্নদুনা দ্রো ওইখি। অরোইবা পেনাল্টি কিক কাউনবদা সিঙ্গরবোন্দ এফ এ টিম্না য়ু বি এফ সি মারখোলেনবু ৫-৪ দা মায়থিবা পীদুনা সিঙ্গরবোন্দ ফাইনেল চঙখি।

ঙসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা য়ু বি এফ সি মারখোলেন টিমগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১০ রামসাংবু ৮১শুবা মিনিটতা রেফরিনা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুগা সিঙ্গরবোন্দ টিমগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৪ লানজিক রোংমৈ অমদি জুমচুন জর্সি নম্বর ৭বু ৬০শুবা মিনিট অমদি ৭৫শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা কে ঐচ নিলকমল সিংহনা সেন্টর রেফরি, ও বিশেৱর সিংহ অমদি একানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান অমদি এসিষ্টেন্ট রেফরি টু লোয়ননা ই দিঙ্কো সিংহনা ফোর্থ রেফরি ওইনা মেটচ কন্দক্ট তৌখি।

## গোল্ড মেডল ফংলকপা শান্নরোইশিং ওকখ্রে




ইম্ফাল,জনুৱারি ২২( এস এন এস) ঃ

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৭ তগী ২৯ ফাওবা চাইনিজ সাওলিন কুংফু ফেদরেসন অমসুং বিচম মার্সিয়েল আর্টস একাদেমীনা শীন্দুনা সিপগ্রাম পঞ্জাবরি গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা এনুয়েল মার্সিয়েল আর্টস গেমস ২০১৯ দা শরুক য়ারুবা গোল্ড মেডালিষ্ট ওকপগী থৌরম অমা পি এম এম সি পোইরৌখোঞ্জিলনা শীন্দুনা পোইরৌখোঞ্জিল প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা টুলিহাল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি অব্দুল খালিক, ৱার্দ মেম্বর তেন্সুবম কালাচান্দ, পি এম এম সিগী প্রসিদেন্ট টেলেম ইতো সিংহ অমদি নোর্থ ইষ্ট জি আই এম এ এফকী টেক্নিকেল দাইরেক্টর টিঐচ উদোইচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন্দশিং ওইনা শরুক য়াখি।

প্রধান এমদি অব্দুল খালিকনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নবনা ঐখোয়বু মালেমদা মশক তাক্লি। অদুগা লমদমসিদসু শান্নরোই লেপ্তনা থোরক্লি। থোরক্লিবা শান্নরোইশিং অসি ঐখোয়না য়োকখৎপা শৌগৎপা তঙাইফদে। মখোয়না ফগৎলিবমখৈ ঐখোয়গী মীংচৎ হেন্না হেন্না ময়েক শেংগৎলক্কনি। অদুনা নেসনেলগী থাক্তগী গোল্ড মেডল ফংলকপা হায়বসি লৈকায়সিগীদি চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

থৌরমদুদা পোইরৌখোঞ্জিলদগী কোচ বেরোহিনিনা তাকপী তম্বীরকখিবা গোল্ড মেডল ফংলকখ্রবা শান্নরোই ১০ অমদি মখোয়গী কোচ বেরোহিনিদা এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেট অমদি অচম্বা খুদোলশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি অমদি ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ঃ ইন্দিয়াগী দিভিজ দবলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ভোপান্না লৈহৌরে

*মেলবর্ন, জনুৱারি ২২ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই দিভিজ সরন মহাক্কী পেয়র ন্যু জিলেন্দগী আরটেম সিটাক্কা লোয়ননা নুপাগী দবলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা দবলসকী শান্নরোই রোহন ভোপান্না অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ন্যু জিলেন্দগী অরটেম সিটাকনা পোর্টুগালগী জোৱা সৌজা অমসুং স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন ভোপান্নানা জপানগী য়াসুটাকা উচিয়ামাগা পেয়র ওইনা শান্নরকপদা য়ু এসকী পেয়র বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইনগী মখূত্তা ১-৬, ৬-৩, ৩-৬ তা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী পোলোনা হরকোগপু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকাসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝেং সাইসাইবু ৬-২, ৬-৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ২শুবা সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা জপানগী টাটসুমা ইটোবু ৬-১, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররসু ৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী শান্নরোই ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬-১, ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

## ইন্দিয়াগী সাইনা, স্রিকান্থ, সমির অমসুং প্রনোই থাইলেন্দ মাষ্টর্সতা মায়থিখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২২ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা ঙসিদগী হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৭০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা সাইনা নেহৱাল, কিদম্বী স্রিকান্থ, সমির ভর্ম অমসুং ঐচ এস প্রনোই অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখ্রে।

থাইলেন্দ মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী লন্দন ওলেম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল দেনমার্ককী লিনে হোজমার্ককী মখূত্তা মিনিট ৪৭ চঙনা শান্নরবা মতুং ১৩-২১, ২১-১৭, ১৫-২১ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই রুস্টাভিটোগী মখূত্তা ২১-১২, ১৪-২১, ১১-২১ দা মায়থিহৌখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সমির ভর্মসু ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই মালেসিয়াগী লি জি জিয়াগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অনী ১৬-২১, ১৫-২১ দা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইসু মালেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই লিয়ু দারেনগী মখূত্তা পুং অমা হেন্না শান্নরবা মতুং ১৭-২১, ২২-২০, ১৯-২১ দা মায়থিহৌখি।

## লিওন মায় পাক্তুনা ফ্রেঞ্চ লীগ কপকী ফাইনেল চঙখ্রে

*লিওন, জনুৱারি ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ফ্রেঞ্চ লীগ কপকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লিওননা লিল্লেবু পেনাল্টি সুট আওটতা গোল ৪-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

লিওন অমসুং লিল্লেনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী ১৩শুবা মিনিটতা লিল্লেগী শান্নরোই রেনাটো সঞ্চেজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৭শুবা মিনিটতা লিওননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা থিয়াগো মেন্দেজনা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদু মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী ১-১ দা মান্নদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হেক হৌরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৮৫শুবা মিনিটতা লিওনগী শান্নরোই হৌসেম ওৱরনা গোল অমা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা গোল শোত্থরিবা লিল্লেনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই লোইক রেমীনা গোল অমা চন্দুনা ২-২ দা মান্নরবা মতুং এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা চাং য়েংনবা তাখি।

পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা লিল্লেগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৩ না গোল চনবা ঙমখি অদুবু লিওনগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৪ না গোল চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি লিওননা লিল্লেবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪-৩ দা মায় পাক্তুনা ফ্রেঞ্চ লীগ কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ঙসি অথেংবদা পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং রিমস শান্নগনি।


TREE DISTRIBUTION/PLANTATION DRIVE
angikaar
Embracing Change
A Campaign under Pradhan Mantri Awas Yojana (URBAN)
Housing for All
Date : 26th January, 2020
Organised by :
SUGNU MUNICIPAL COUNCIL
SL/5757/23



M/S IMPHAL PRESS
Screen Printing & Rubber Stamps Works
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI
Lengsinbirakshi
* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing
20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal
লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি
M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 9366285239
SL/5683/6+15 days


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**POLICE DEPARTMENT**
--
**DIRECTOR GENERAL OF POLICE**
**MANIPUR POLICE HEADQUARTERS,**
**IMPHAL-795001**
**(Fax No. 0385-2449825 & 0385-2442048)**
--
**Re E-Tender Notice**

No. PR-18/44/2018-19/PHQ (Pt-II) Imphal, the 20th January, 2020

1 The Director General of Police, Manipur hereby invites Re e- Tender with 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details and Price Bid indicating item-wise price of the items from all intending reputed and registered Manufacturers/ Fabricators/Firms for supply of Security & Intelligence/Forensic Science Laboratory items in Manipur Police Department, Manipur. Specifications of each item are enclosed in the Annexures – **"A" & "B"**. ***Rates to be quoted are to be Free on Rail (F.O.R.) Imphal and inclusive of GST and transportation charges.***

2 The details of the tender will be available on the Website – www.manipurtenders.gov.in

**Sd/-**
**Director General of Police,**
**Manipur, Imphal.**

SL/B (DIPR)/23


TREE DISTRIBUTION/PLANTATION DRIVE
angikaar
Embracing Change
A Campaign under Pradhan Mantri Awas Yojana (URBAN)
Housing for All
Date : 26th January, 2020
Organised by
ANDRO MUNICIPAL COUNCIL
SL/5755/23



TREE DISTRIBUTION/PLANTATION DRIVE
angikaar
Embracing Change
A Campaign under Pradhan Mantri Awas Yojana (URBAN)
Housing for All
Date : 26th January, 2020
Organised by
KAKCHING KHUNOU MUNICIPAL COUNCIL
SL/5756/23


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 30/SDC/KBT
Dated, the 22-01-2020

Irengbam Tombisana Singh S/o (L) Ibohal Singh of Bamon Kampu Mayai Leikai
Petitioner
-Vs-
Late Irengbam Ibohal Singh S/o (L) Koireng Singh of Bamon Kampu
O.P.

**NOTICE**
Keirao Bitra, the 22-01-2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Patta No. 18 (অরিবা) 55 (অনৌবা) গী Village No. 45-Kalika C.S. Dag Nos. 104 an area .74 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগো লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

SL/5760(1)/23

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 31/SDC/KBT
Dated, the 22-01-2020

Takhellambam Ibochouba Singh S/o (L) Late T. Tombinou Singh of Chanam Sandrok Mamang Leikai
Petitioner
-Vs-
Late Takhellambam Tombinou Singh S/o Late T. Tonsana Singh of Sandrok
O.P.

**NOTICE**
Keirao Bitra, the 22-01-2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle 55-Khanarok গী Patta No. 174 (অরিবা) 32 (অনৌবা) গী Village No. 55-Khanarok C.S. Dag Nos. 270 an area 1.00000 acre of Touthabi class লম অসিগী Pattadar T. Tombinou অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Pettitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা মপাগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগো লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

SL/5760(2)/23

### ক্রোসৱার্দ ৪০৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| F | L | A | G | | U | R | B | A | N | | D | A | M | E |
| L | U | L | U | | N | O | O | N | E | | A | M | E | X |
| A | S | K | S | | E | V | E | N | T | | D | O | T | E |
| W | H | A | T | E | V | E | R | I | T | T | A | K | E | S |
| | | | A | Y | E | | | E | E | R | | | | |
| S | C | A | V | E | N | G | E | | D | U | M | B | O | S |
| C | A | R | | | L | O | U | T | | R | E | E | V | E |
| O | N | E | W | A | Y | O | R | A | N | O | T | H | E | R |
| T | O | T | A | L | | F | O | R | E | | | A | R | F |
| S | E | E | S | A | W | | S | E | X | T | A | N | T | S |
| | | | | M | A | C | | | T | A | R | | | |
| B | Y | H | O | O | K | O | R | B | Y | C | R | O | O | K |
| L | O | U | D | | E | N | U | R | E | | E | L | M | O |
| A | R | G | O | | N | A | D | I | A | | S | E | E | N |
| B | E | E | R | | S | N | E | E | R | | T | O | N | G |